# মুম্বাইদা নর্সিং তম্বী নুপী ১
# বেঙ্গলোরদা অফ্রিকান ১না রেপ তৌখ্রে

*নিউ মুম্বাই, মে ২৭ঃ* ইন্দিয়াগী তোঙান তোঙানবা ষ্টেটশিংদা মহৈ তম্লিবী লমদমসিগী নুপী কয়া মেনলেন্দ ইন্দিয়াগী মীওইশিংনা রেপ তৌবা অমসুং তাথি তাওইনা তৌবগী থৌদোক ৱাথোক কয়া লৈরিঙৈ মরকসিদা মণিপুরদগী নিউ মুম্বাইদা নর্সিং তম্বা চহি ২৫ রোমতা ঙাইরিবী নুপীমচা অমা বেঙ্গলোরদা মন্দোমচাগী বোই
ফ্রেন্দনা রেপ তৌবদগী হৌজিক হৌজিক অরুবা ফিভমদা হোস্পিতালদা লায়কন্নরি।

এজেন্সিগী পাউনা হায়রিবনা ভিক্তিম অদু রেপ তৌবগী থৌদোক্তুদা মহাক্কী প্রাইভেট পার্টতা ব্লিদিং কা হেন্না থোকপদগী রিকন্সত্রক্তিভ সর্জরিগীদমক নিউ মুম্বাইগী নেরুলদা লৈবা ডাঃ দি ৱাই পটিল হোস্পিতালদা লায়কন্নরি। হৌজিকমক্কী ওইনা প্রাইভেট পার্টতা রিকন্সত্রক্তিভ সর্জরি তৌবদু ব্লিদিং কা হেন্না চৎপনা মরম ওইদুনা খুদক্কী ওইনা য়াদবনা সর্জিকেল প্রোসিদ্যুওর অমা ওইনা কোলোষ্টোমি তৌদুনা মহাক্কী পুকনোপ্তা পাইপ অমা থিংজিন্দুনা থি অমসুং য়ুং তোঙান তোঙান্না পাস তৌহল্লি।

খুদোংথিবা থৌদোক অসি হৌখিবা মে ১৩ দা বেঙ্গলোরদা থোকখিবনি। থৌদোক অসি ভিক্তিম অসিনা মহাক্কী মন্দোমচাগা লোয়ননা অফ্রিকান নেসনেলনি হায়রিবা প্রিন্স জোন এলাইজ জোনসন হায়রিবা মীওই অসি উন্নবা চৎখি। ভিক্তিমসিগী মন্দোমচা অসি মুম্বাইদা লৈবা 'স্পা' অমদা থবক তৌবনি। নুমিৎসিগী অয়ুক্তা মন্দোমচাসিনা জোনসনগী য়ুমদা তুল্লিঙৈদা জোনসন্না ভিক্তিম অদুদা মমান্নবীগী য়ুমদগী ঈশিং লৌরুসি হায়খি। মতমদুদা জোনসনগী য়ুমদা ঈশিং লৈতবনা ভিক্তিম অদুনা মশাদা করিগুম্বা চিংনবা অমত্তা য়াওদনা য়াদুনা ঈশিং লৌবা চৎমিন্নখি।

জোনসন্না লৈরিবা কমপ্লেক্স অদুদা পুন্না লৈমিন্নবা মমান্নবগী ফ্লেট অদুদা ঈশিং লৌবা চৎলিবনি হায়না চৎমিন্নরগা রেপ তৌবগী থৌওং অদু চংখিখিবনি। মখা তানা জোনসন্না ভিক্তিম অদুদা রেপ তৌখিবগী থৌওং অদু হায়দোরক্তনবা অকনবা মওংদা থ্রিটন তৌখি। লোয়ননা রেপ তৌবা অদুনা মরম ওইরগা ভিক্তিমগী প্রাইভেট পার্টতগী ঈ কা হেন্না চৎলিবদুসু কনামত্তদা হায়দোক্তনবা মরুওইনা মহাক্কী মন্দোমচাদা থৌদোক্তুগী মতাংদা ৱাফম অমত্তা হায়দোক্তনবা খঙহনখি। ঈ থোকপগী মরম অদুসু মন্দোমচাদা থাগী পেরিওদ লাকপগীনি হায়য়ু হায়না খঙহনবগা লোয়ননা মন্দোমচা অমসুং ভিক্তিম অদু মুম্বাইদা হনখিনবা জোনসন্না প্লেন টিকেট অনি পুরক্লগা ভিক্তিম অদুদা পীখি।

ভিক্তিম অদুগী ব্লিদিং অদু রেপ তৌখ্রবা মতুং নুমিৎ মরিনি শুরবা ফাওবা লেপ্তুবদগী মন্দোমচানা মহাকপু মে ১৭ তা সাউথ মুম্বাইগী নর্সিং হোম অমদা পুখৎখি। লোয়ননা ডাক্তরনা ভিক্তিম অদু একজামিন তৌরবা মতুং মহাক্কী মন্দোমচাদা ভিক্তিম অদুগী প্রাইভেট পার্টতা কা হেন্না শোকপনা সর্জরি দরকার লৈ হায়না খঙহল্লকখি। থৌওংদুদগী ভিক্তিম অদুনা খাংবা ঙমদদুনা মহাক্কী মন্দোমচাদা থোকখিবা থৌদোকশিংদুগী ৱারী ময়েক শেংনা লিখি। মখা তানা ভিক্তিম অদগী সর্জরি অদু নিউ মুম্বাইগী নেরুলদা লৈবা ডাঃ দি ৱাই পটিল হোস্পিতালদা রিকন্সত্রক্তিভ সর্জরিগীদমক মণিপুরগী ডাক্তর অমা কন্টেক্ট তৌদুনা তান্নরবা মতুংদা পুখৎখি।

থৌদোক্তুগী পাউ মহারাষ্ট্র মাইনোরিটিজ কম্মিসনগী হান্নগী ভাইস চেয়ারমেন অব্রহাম মথাইনা তাবগা নবি মুম্বাই পুলিসতা পাউ পীখি। লোয়ননা থাংজ নুমিৎকী অথেংবদা নেরুল পুলিসনা থৌদোক্তগী মতাংদা এফআইআর রেজিষ্টার তৌখি। নবিন মুম্বাই এদিসনেল কম্মিস্নার ওফ পুলিস অশোক দোংগ্রেনা ফোঙদোকখিবদা মথাইনা মঙোন্দা পাউ পীরকপগা থৌদোক্তুগী মতাংদা থিজিন্নবা দিসিপি (জোন ১) শ্রী পুরুসোতম করাটতা খঙহনখ্রে। পুলিস ওফিসিয়েলশিংনা হোস্পিতালদা চৎতুনা ভিক্তিমগী ষ্টেটমেন্ট রেকোর্দ তৌখ্রে। ফোর্মর ভাইস চেয়ারমেন মথাইনা হৌজিক ফাওবা ভিক্তিম অমসুং মহাক্কী ইমুং মনুংগী মতেং পাংবদা নত্তনা কর্নাটকাগী পুলিসকী এদিসনেল পুলিস কম্মিস্নার টি সুনিলকুমারদা থৌদোক্তুগা মতাংদা ময়েক শেংনা খঙহনখ্রে। কম্মিস্নার অসিনসু মরাল লৈরবা জোনসনগী মথক্তা অকনবা এক্সন লৌখৎকনি হায়বগী থাজবা পীরকখ্রে। এক্যুজ অসি হান্নদি জমাইকাদগী হৌজিক্লা বেঙ্গলোরগী কোরিয়া সার্ভিস ব্যুজিনেস অমদা থবক তৌবনি হায়না ক্লেম তৌই হায়রি। অদুম ওইনমক এক্যুজ অসি মহাক্কী লৈফম অমসুং মশক মমিং লোৎলগা লৈবা মাল্লি হায়রি। অমরোমদা থৌদোকসিগী মতাংদা সাউথ মুম্বাই নর্সিং হোমনা করিগীদমক সেক্সুয়েল এসল্ট অদুগী মতাংদা পুলিসতা পাউ পীদ্রিবনো হায়না মথাইনা হংখ্রে হায়রি।